**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 11-08-2024)**

**বিরেন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-মীয়ামদা ইনশিনদুনা খোঙজং চংশিনহনবনা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা য়াই। মরম অদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা মখোয়গী অপেন-পেন্দা খুদিংমক বিধান সভাগী মীফমদা পুখৎতুনা খন্নগদবনি। খন্নবা অদুবু মীয়ামনা তারগা মদুগী অচুম অরানগী ৱারেপতি মীয়ামা অদুম্মক লৌজগনি।

ইম্ফালদা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী অচুম অরান মীয়ামনা হেন্না খঙই। বিধান সভাগী মপানদা পাউখুম লৈরোইদবা মফমদা পংঙাং ঙাংবগী হৈনবী থাদোকসি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

**সিএম (এল)ঃ** কেন্দ্রগী লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট অমসুং য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়াগা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা ঙরাং ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-শ্রী মন্দাভিয়াগা উন্নবা অদুদা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং নীংথিনা থবক্তা ওন্থোকবা, লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংদা স্কিল ত্রেন্নিং প্রোগ্রামশিং পায়খৎনবা, স্তার্টঅপ, শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা থৌরাং অমসুং মরোমদোম লেপচবা ঙমবগী মতাংদা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপা ৱারী শান্নখি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন্দাভিয়ানা রাজ্যগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈঙাংতাবী চন্দংপোকপী অমসুং মাংজিলদগী টুয়েল্ভ বোর সিঙ্গল বেরেল অনি, শেমদোক্লবা থ্র নোথ থ্রি রাইফল অমা, ঐচ.ই. থারতিসিক্স গ্রেনেদ ৮ য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোংজম অমসুং তাওরেম খুলদগী কন্ত্রিমেদ সিঙ্গল বেরেল গন অমা, কন্ত্রিমেদ নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, ঐচ.ই. থারটিসিক্স গ্রেনেদ ৮ য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। জিলা অসিগী মোংহাম অমসুং কামুদগী পম্পী অমা, মোটার বো অহুম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় খরসু ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

তেংনৌপল জিলাগী মোলনোম খুলদগী দবল বেরেল গন অনি, বাইনোকুলর অমা য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, নার্কোটিক্স এন্দ এফিয়ার্স ওফ বোর্দরনা ভিজন ফোর দ্রগ ফ্রি ইন্দিয়া হায়বা কেম্পেইন অসিগী মখাদা মফম কয়াদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমসুং পোষ্টর কেম্পেইন পাঙথোকখি হায়রি।

**থৌরম (এল)ঃ** মীওই অমনা পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লিবা লুহোংবা অমদি সোরাতনচিংবা থৌরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙরাং ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা মনিপুরি খুন্নাইদা নাৎ-চৎনবীগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা চাউনা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসিদা নুংনাংবা ফোংদোকখি। তুংদা, মসিবু য়েংশিন্ননবা ইনাৎ য়োকখৎপা লুপতিন কৌবা লুপ অমা শেমখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** দোনবোস্কো হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোইশিংনা ঙরাং

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী অকোইবদা লম তু শেংদোকখ্রে। হোস্পিতাল অসিবু লু-নান্না থমনবগী পান্দমদা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অদু পাঙথোকপনি হায়রি।

**বিরলা ঃ** লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা হায়রি-গনতন্ত্রবু মপাঙ্গল হেন্না কলহন্নবগীদমক খন্ন-নৈনবগী থবক্তা অমগা অমগা মতেং পাংনবগী তঙাইফদবা লৈ।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং নৌনা সংসদকী সদস্যশিং ওইরকপা মীওইশিংগী নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোকপা ওরেন্টেসন প্রোগ্রাম অমা লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী বিরলানা হায়-সদস্যশিংনা গনতন্ত্রবু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমবগা লোয়ননা সভাগী মীফমদা শরুক য়াগদবনি। সংসদতা সদস্যশিংনা ৱা ঙাংবা অমদি মখোয়না তৌরিবা থবক খুদিংমক লৈবাক অসি খক্তদা নত্তনা মালেমগী মীয়ামনা য়েংনরিবনি। মরম অদুনা সদস্যশিংনা মখোয়গী অনিংবা অপাম্বা অমা ফোংদোকবা হোৎনবা মতমদা সভাগী চৎন-কাঙলোনশিং য়ারিবমখৈ ঙাকা চৎকদবনি।

**ভিজিট ঃ** কেন্দ্রগী রুরেল দিবলপমেন্ট রাজ্য মন্ত্রি-কমলেস পাসৱান্তনা হায়রি-লৈবাক অসিবু চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি।

মিজোরোমদা ঙরাং লাকখিবা শ্রী পাসৱান্তনা আইজোল মনাক্তা লৈবা মুৱাললুংথুদা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা গ্রামিনগী বিনিফিসরিশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। উন্নবা অদুদা মন্ত্রিনা হায়-সরকারনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী স্কিমশিংগী কান্নবা ফংফম থোকপা বিনিফিসরিশিংদা শোয়দনা ফংহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

অৱাং নোংপোক লমদমগী লম্বী থোংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগী

মায়কৈদসু সরকারনা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি। প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা গ্রামিনগী মখাদা মিজোরামদা বিনিফিসরি লিশিং ৩০ হেন্না কান্নবা ফংহল্লস্বদা মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

আগষ্ট ১৫ দা রিলিফ কেম্পশিংদা চাকলেন শিনবীয়ু হায়না চীফ মিনিস্তরনা লেজিসলেচরশিংদা হায়খ্রে হায়না মনিপুর মেল পাউ-চেদা অহানবা হেদলাইন পাদুনা ফোংলক্লি।

প্রোপর প্লেটফোর্ম দিবেট তৌনবনা দেমোক্রেসিগী মশক থোকহল্লি। ঐখোয়বু শোগ্থহন্নবা হোৎনবা এজেন্সি ময়াম লৈ কাউরোইদবনি হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর ন্যুজগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

কুকি মশেল হাৎনরে, পল্লেনদা কাপবদা য়ু.কে.এল.এফকী অমা য়াওনা মরি শিরে, য়ু.কে.এল.এফকী চেয়ারমেন-এস.এস. হাওকিপকী ময়ুম মৈ থাখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি। য়ু.কে.এল.এফকী পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলস য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি।

দিল্লিগী রেল্লি কুকিনা কোম, পাইতে শারুবগী ৱাথোক থোকরে, পুং ২৪ গী মনুংদা শেংদোরক্ত্রবদি অকনবা থবক পায়খৎলগনি হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা হেদলাইন অসি লৈবাক্কী ইশু খন্নসি য়াদে হায়দুনা ওপোজিসননা ৱাকআউট তৌখি। নিংথৌকাবগী সেসনদসু য়াওরোইদৌরি হায়বা হেদলাইন অসিনি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন পীরি।

হাউসতা বিরেনগা ইবোবীগা লাউনখ্রে, ওপোজিসনগী মেম্বরশিং

হাউসতগী মপান থোকখি, হয়েংগী সেসনসু য়াওরোই হায়রল্লে হায়রিবা হেদলাইন অসিনা পোকফম পাউ-চেগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন পীরি। হেদলাইন অদুদি-ওপোজিসন কংগ্রেসকী এম.এল.এ. মঙা ৱাকআউট তৌখ্রে, মখা তাবা সেসন য়াওরোই ৱারেপখ্রে। মনিপুরগী ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরকবা পুখৎচবা ৱাফম তাবিদ্রবদি মীফম য়াওরুবগী করি মথৌ তারিবগে হায়না ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিনি।

ওপোজিসন এম.এল.এশিং ৱাকআউট তৌবগী পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমদি ঈচেল এক্সপ্রেসতসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীনরি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি-হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেইন সি.এমনা হৌদোকখ্রে। এসেমব্লিদা লৈবাক্কী চাউখৎনবা খন্নসি, পাউখুম লৈতবা ৱাফম য়েৎনগুমসি হায়না সি.এমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ফোংলক্লি। সেন্ত্রেল গভরমেন্টনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা নুপী-অঙাংশিংগীদমক লুপা ক্রোর ৪০০ হেন্না থাদখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইননি।